# ‘বন্দ স্ট্রাইক তৌবগী মহুত্তা লৈঙাকপু মতেং পাঙবীয়ু’

ইম্ফাল,নবেম্বর ০২(এস এন এস)ঃ
ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি নাগা ফুরুপশিংগী মরক্তা হৌজিক চখরিবা পীছ টোল্ক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা য়াবা ফিভম অমা লাকপদা লমদম অসিগী সিভিল সোসাইটিশিংনা বন্দ স্ট্রাইক তৌবগী মহুত্তা লৈঙাক অসিবু মতেং পাঙবীদুনা করি করি তৌবা য়াবগে হায়বদু ৱাখল তামিন্নসি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মীয়ামদা আপীল তৌখ্রে।

পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি পুং ২৪ চুপ্পা লৈঙাক্না মোনিটর তৌদুনা লৈরি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেল দেলিগেসনদা পীরকপা থাজবা অদু ঙাক্না থবক তৌগনি হায়বগী থাজবা চপ চানা থস্লি।

পোলিটিকেল পার্টিগী মীহুৎশিং আমিট সাহ য়াওনা সেন্তরগী লুচিংবশিং উন্নরুরে। মদুদা পীরকখিবা ষ্টেকহোল্ডরশিং তান্নরগা অরোইবা ৱারেপ লৌগনি হৌজিক লৌখিরোই হায়না ফোঙদোকপা ৱাফম লৈবনা নেসনেল লিদরশিংনা পীরকপা থাজবা অদু য়েংখিসি। মদুদা শোয়দনা চৎলগা হায়বগী রুমশিং লৈগনি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুগা পাউ ফাওনরি। ফিভম অসি অরুনাচল প্রদেশতসু মায়োক্নরিবনি। মহাক্না হোম মিনিষ্টরগা ফাওনবদা চপ মান্নবা ষ্টেটমেন্ট অদু পীরকপা লৈ হায়রি।

সেন্টরগী লুচিংবশিংনা ইশু অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা ষ্টেকহোল্ডরশিং কৌগনি হায়বা লৈবনিনা শোয়দনা ষ্টেকহোল্ডরশিংনা শরুক য়াবিয়ু হায়খি।

সিভিল সোসাইটিগী ইচিল ইনাউশিংনা বন্দ ব্লোকেদলোমদা চত্তবীদা লৈঙাক্না ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা করি তৌসিগে । হায়বা য়াবা হায়রে, তৌবা য়াবা তৌরে হায়বরোমদা পুন্না চৎমিন্নসি। শিন্থা লেপ্পা, জেনরেল স্ট্রাইকনচিংবা অসি হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসিদদি সি এস ওশিং খঙদে, লৈঙাক খঙদে, ষ্টেকহোল্ডর পূন্নমক অসি পুন্না ষ্টেট অসিগী ইন্টরেষ্টতা শরুক য়ামিন্নসি হায়খি।

মহৈলোয়শঙশিংদা সেন্ত্রেল পেরামিলিটরি ফোর্স থম্বগী মতাংদা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, সেন্ত্রেল পেরামিলিটরি ফোর্সশিং থল্লবা অদু লোইনা লৌথোকখ্রে।

হান্না ষ্টেট অসিদা লৈজরম্বা সেন্ত্রেল পেরামিলিটরি ফোর্স কম্পনি ১৫ রোম অসি অসামদা এন আর সিগী ইশুদা চৎখিবা অদুগা কম্পনি ৫ রোমনা হরিয়ানাগী মীখলগী চৎখবদগী জোইন্ট সেক্রেটরি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়ার্সতা হায়জদুনা ষ্টেট অসিদা ওইরিক্লবা ফিভম অসি য়েংলগা কম্পনিশিং অদু হলহনবীরক্লবা হায়জবদগী হলহনলকপনি।

মসিদা হান্নগী মফম অদু শেমদোক শেমজিন তৌবগী চন্নদবা লৈবনা স্কুল কলেজ ২–৩ দা থল্লম্বনি। হৌজিক লোইনা লৌথোক্লগা মখোয় মখোয়গী বেরেকশিংদা লৈনখ্রে হায়খি।

# ‘স্টাফ ৱাৎপনা এম ঐচ আর সি মপূং ফানা চল্লাইবা ঙমদ্রে’

ইম্ফাল,নবেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ
মতম কুইনা মথৌ তৌরুদ্রবা মতুংদা চহী অমমুক্কী মমাভদা অনৌবা এক্টিং চেয়ারপার্সন অমা খন্দুনা অমুক নৌনা মথৌ তৌবা হৌরক্লিবা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সি) অসি কম্মিসন অমা ওইবগী লৈফম থোকপা ষ্টাফশিং অদু শুনা লৈতবনা মপূং ফানা চল্লাইনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরে হায়না এম ঐচ আর সিগী এক্টিং চেয়ার্মেন খাইদেম মনিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি লম্ফেল পাৎতা লৈবা কম্মিসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কম্মিসন অসিনা কুমজা ২০১৮ দগী হেক মথৌ তৌবা হৌরকপদগী কেস ৪০ হেন্না লোইশিনখ্রে অদুগা কেস ১৬০ হেনবনা পেন্দিংদা লৈরি। মপূং ফাবা কম্মিসন অমা ওইবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমদি মেন পৱার ৱাৎপনা মরম ওইদুনা কম্মিসন অসিগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা থিঙ্গনবগী মচাক অমা ওইহল্লে।

মীয়ামগী ফংফম থোকপা রাইটপু ঙাক– শেন্নবা, কন্নবা অমদি য়োকখৎনবা লৈরিবা কম্মিসন অসিবু মপূং ফানা মথৌ তৌবা ঙমহনদবা হায়বসি লৈবাক অসিগী ওইনা য়ান্না চাউনা মাঙজবা অমনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, কম্মিসন অসিগী য়ান্না মরু ওইবা ফম অমা ওইরিবা সেক্রেটরীগী পোষ্ট অসিসু হাংদুনা লৈরে। অথুবা মতমদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীদুনা লোগী মতুং ইন্না আই এ এসতগী তাদবা মীওই অমবু সেক্রেটরী ওইনা হাপকন্দবনি। লোয়ননা মহাক্কী মখাদা লৈফম থোকপা ষ্টাফ থমগদবনি অমসুং লো দিভিজনগী থিজিন হুমজিনবা তৌনবা আই জি পিদগী তাদবা পুলিস ওফিসার অমসু হাপকদবনি লোয়ননা মহাক্কী মখাদা লৈফম থোকপা ষ্টাফশিং অদু থমগদবনি। অসিগুম্বা অহাংবা ফমশিং অসি পারগা পুন্না ষ্টাফ ১৫০ রোমগী অৱাৎপা হৌজিক হৌজিক এম ঐচ আর সিনা মায়োক্নরি। অদুবু লৈঙাক্কী খুদোং চাদবা অদু য়েংলগা অথুবগী ওইনা য়ামদ্রবদা ষ্টাফ ৪০ মুক্তি হাপকন্দবনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা, ঙসি নীনি–হুন্নিগী মমাঙদা সেন্ত্রেল পেরামিলিটরি ফোর্স কয়া অমা লমদম অসিগী স্কুল, কোলেজশিংদা লৈশিল্লম্বা অদুগী মতাংদা সিভিল সোসাইটি কোলিসন ফোর হ্যুমেন রাইটসকী কো–কনভেনর ফুলিন্দ্রো কোন্সম, কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইটসকী সেক্রেটরী ওক্রম ন্যুটনকুমার, এক্সত্রা জুদিসিয়েল এগজিকুসন ভিক্টিম ফেমিলিজ এসোসিয়েসন মণিপুর (ইভম) গী প্রসিদেন্ট রেনু তখেল্লম্বম, হ্যুমেন রাইটস এলার্টকী এগজিক্যুটিভ দাইরেক্তর বব্লু লোইতোংবম, হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরস মণিপুরগী চেয়ার্মেন জয় চিঙাখম, রিচ আউটকী কো–ওর্দিনেটর ওনিল ক্ষেত্রিময়ুম, লাইফ ৱাটচকী সেক্রেটরী জেনরেল নিংথৌখোংজম রাজেশ অমদি য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) কী প্রসিদেন্ট দল্লি এম সেকেন্দনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সি) দা থারকখিবা কেস অমগী প্রোসেদিং চথদুনা লাক্লিবা নবেম্বর ৯ ফাওবগী মনুংদা মহৈলোইশঙশিং অসিদা পেরামিলিটরি ফোর্সশিং থমজিনবগী মরম পীগদবনি লোয়ননা লোগী মায়োক্তা মহৈলোইশঙশিংদা অসিগুম্বা ফোর্সশিং অসি থমজিন্নবগী ওর্দর পীরিবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিং অদুগী মথক্তা লোগী ওইবা এক্সন লৌখৎকদবনি হায়খি।

# ‘শঙ্গোম থোকপী ইরোইশিং য়েঙ্হোকখ্রে মীয়ামগী হিংনবা লম্বী ওইগনি’

ইম্ফাল,নভেম্বর ২(এস এন এস)ঃ
এদোপসন ওফ মিল্চ মুরা বফেলো ইন এন্দ এরাউন্দ লোক্তাক প্রোজেক্টকী মখাদা লমদম অসিগী তেঙান তেঙানবা লৌমীশিংদা শঙ্গোম থোকপী ইরোই মুরা বফেলোশিং খূৎশিন্নখ্রে।

পোরোম্পাৎকী আই সি দি পি প্রোজেক্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা থৌরম অদুগী মতাংদা ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর ঐচ চাউবনা পাউমীশিংদা হায়, প্রোজেক্ট অসি নোর্থ ইষ্টর্ন কাউন্সিলগী মখাদা পায়খৎপনি। লোয়ননা হৌখিবা চহী ২গী মমাঙদা অহানবা ইনষ্টোমেন্ট থাদোরক্তুনা বিনিফিসিয়ারি ১৫০দা ইরোই য়েঙ্হোকখ্রে। অনীশুবা ইনষ্টোমেন্ট অসিগী মখাদা বিনিফিসিয়ারি ১৫০ অমদসু খূৎশিন্নগদবনি।

অনিশুবা ইন্সটোলমেন্ট অসিগী অনীশুবা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী বিনিফিসিয়ারি ৩০ দা মশা লুল্লবা মুরা ইরোই অমোমশিং য়েঙ্হোকপনি।

ইরোই মখল অসি খ্বাইদগী হেন্না শঙ্গোম থোকপা ইরোই মখলনি। মসি অমমমদা লুপা লিশিং ৭৮ চিলিবনি অমদি মসি হরয়ানাগী কর্নালদগী পুরকপনি।

ইরোই ফংলবা লৌমীশিংগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা লাক্লিবা নবেম্বর ৮ দা সঞ্জেম্বোংদা লৈবা ভেটেরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সর্ভিসেসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্লবা শেম শারি হায়খি। ইরোই মখল অসি নিংথিনা য়োকপনা মীওইবা অমগী পুন্সি হিংবা য়ারিবনি। মসিদা লাক্লিবা বিনিফিসিয়ারিশিংগা অন্দরতেক্কিং অমা লৌদুনা ইরোই অসি প্রোজেক্ট অসি লোইদ্রিবা ফাওবা ইরোই য়োন্দনবগী থবক লৌখৎলি।

অহানবা চাগোক্তা থোকপা শঙ্গোম থোকপগী চাং অসি অনীশুবা চাগোক্তা হেনগৎলক্কনি। লোয়ননা অহুমশুবা চাগোক ফাওবা হেনগৎলক্কনি। মতুং তারকপদা অমুক খরা হন্থরক্কনি হায়খি।

ঙসিগী মথংদা চুরাচান্দপুর, বিষ্ণুপুরগী মচিং খরা লৈহৌবা অমদি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী লৌমীশিংদা পীগদৌরিবনি। মমাঙদা থৌবাল পীখ্রে। বিষ্ণুপুরসু হান্না খরা পীখিবা লৈখ্রে হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা জোইন্ট দাইরেক্টর প্লানিং দিপার্টমেন্ট এন কুলকরানি, ভেটেরিনারি দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দাইরেক্টর এদমিনিষ্ট্রেসন ডা. এন জি ইবোতোম্বী, জোইন্ট দাইরেক্টর প্লানিং ডা. সি ঐচ নন্দকিশোর য়াওনা ওফিসিয়েল কয়ানা শরুক য়াখি।

## এয়ারপোর্টতা খোঙজং ...

*লমায় ১গী মখা* ...মহৈরোই লূপ ৬ কী থৌমীশিং অদুনা এয়ারপোর্ট গেট তন্না খোঙজং চঙশিল্লকপদা মফম অদুদা হান্না লৈরম্বা ইম্পাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এদিস্নেল এস পি (ওপরেসন) এস অমরজিৎনা লুচিংবা মশীং য়াল্লবা পুলিসকী টিম অমনা মহৈরোইশিং অদুবু তকথোকখি।

খোঙজং চঙশিনবা অদুদা শরুক য়াখিবা দেসামগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী লৈশাংথেম লময়ানবনা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকপদা, থেংখাঙ কয়াগী মমাঙদগী লমদম অসিগী মহৈলোইশঙশিংদা ইন্দিয়ান আর্মিশিং থমজিন্দুনা লমদম অসিগী মীয়ামদা অকি–তুজুংবা পোকহনবগী চৎনবী অমা লেপ্তুনা চত্থদুনা লাক্লি। অসিদসু নত্তনা এন এস সি এন (আই এম) অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নদুনা য়ানবা পুরকখবা অদুদা মণিপুরদা কায়রক্কদবা অমত্তা য়াওদে অমদি এগ্রীমেন্ট অদু খূৎয়েক পীনদ্রিঙৌদা ষ্টেক হোল্ডরশিং তান্নরমগনি হায়না থাজবা হঞ্জিন–হঞ্জিন পীরক্লগা করিগীদমক লেপ্তুনা লমদম অসিদা পেরা মিলিটরি থাজিল্লক্লিবনো হংখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, লমদম অসিগী অমত্তা ঙাইরবা সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিটি অমা ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদসু অসাম রাইফলগী পোষ্ট থমজিন্দুনা লানফম অমগুম উহন্নবা হোৎনরি। অসুন্না মহৈলোইশঙশিংদা লান্মী থমজিনবা অসি সুপ্রিম কোর্টনা য়াদে হায়দুনা ওর্দর থোকখিবসু লৈরবনি। অদুবু লোগী ৱাংমদা লমদম অসিদদি ঙসিসু লেপ্তুনা অদুমক থমজিন্দুনা থম্বীরি।

অসিগুম্বা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লমদম অসিবু তুহুৎপীবগী মওং অসি হৌগৎলক্লিবা মহৈরোইশিং অসিনা য়াবা ঙম্লোই। মরম অসিনা অথুবা মতমদা এয়ারপোর্টতা থল্লিবা ফাইটর প্লেন অসি লৌথোক্কদবনি অমসুং মহৈলোইশঙশিংদা পেরা মিলিটরি থমজিল্লিবা অসিসু অথুবা মতমদা লৌথোক্কদবনি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

খোঙজং অসিদা গো বেক সুখোই, লমদম অসি ৱার জোন ওঙ্হোক্কনু, ষ্টোপ মিলিটরাইজেসন হায়বনচিংবা প্লেকার্দ কয়ামরুমসু শীজিন্নখি।

## শেল থাদরুবা মীয়ান্না সলাই হোল্ডিংসকী ওফিসশিংদা ...

*লমায় ১গী মখা*
ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মহাক্না মখা তানা হায়খি, সলাই হোল্ডিং অসি হেক হৌদোক্লকপদগী মীয়ামদা পাঙবা য়াবা মতেং পাঙদুনা কুমজা ২০১৫ দগী ২০৩৫ ফাওবা চহী ২০ গী অকক্লবা পান্দম অমগী মখাদা লমদম অসিদা অচৌবা অওনবা অমা পুরক্কনি হায়বগী থাজবা অমগা লোয়ননা চঙশিল্লকপনি। হৌখিবা ওক্টোবর ২৯ গী থাজদনা থোকখিবা থৌদোক অমগী মতুংদা থংনবা নুমিৎ ওক্টোবর ৩০ দা সলাইগী পারমদগী তোঙান্না চৎখ্রবা হান্নগী চেয়ার্মেন নারেংবম সমরজিৎ সলাইগী বোর্দ ওফ দাইরেক্তরশিংগী ওইবা মীফম অমনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুং ইন্না মহাক সলাইগী বোর্দ ওফ দাইরেক্তরগী লিষ্টতগী লৌথোকখ্রবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা রেজিষ্টার ওফ কম্পনি অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ কোর্পোরেট এফিয়ার্সতা মথং মথং থাদুনা ঐখোয়গী পোর্টেলদা থোরক্লবা কন্না হোৎনজরি। লোয়ননা হান্নগী লৈজরম্বা ষ্ট্রকচর অদু রি–ষ্ট্রকচর তৌনবা অঙ্গম্বা থাক্তা হোৎনরি। হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা পুলিসকী ওইবা ইনভেষ্টিগেসন চখরিবা অসিদসু কম্পনিগী মায়কৈদগী মরী লৈনবা চে–চাং খুদিংমক লান্নদুনা পাঙবা য়াবা মতেং পাঙনবা হোৎনরি। পুলিসকী থিজিন–হুমজিনবগী থবক অমা চখরিবা অসিনা মরম ওইরগা ট্রান্সেক্সন তৌবা য়াদবনা মতম খরা ট্রান্সেক্সন তৌজরোই হায়না মীয়ামদা থমজবনি।

অদুবু পুলিসকী থিজিন–হুমজিনবগী থবক অসি মপূং ফানা লোইরবা মতুং অতেনবা মতমগী মনুংদা রি–ষ্ট্রকচরগী থবক লোইদুনা হান্নগুম চত্থরম্বা মখল–মখা কয়াগী ট্রান্সেক্সন খুদিংমক হঞ্জিন্দুনা মীয়ামগী নীংবা থুংহনগনি। মীয়ান্না থাজবা অমগা লোয়ননা কম্পনি অসিদা থম্বীখিবা শেনফমশিং অমত্তা মাঙহল্লোই। সেয়ার হোল্ডরশিংগী থাজবা অমসুং অপাম্বা মাঙহল্লোই। তুং কোইনা সলাইগী কুমজা ২০৩৫ ফাওবদা অওনবা মণিপুর অমা ওইহনবা হায়বা ফিরেপ অসিদা অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা চঙশিনমীন্নসি হায়খি।

কম্পনি অমা চল্লাইবা হায়বসি মিনিষ্ট্রি ওফ কোর্পোরেট এফিয়ার্সকী অকক্লবা কাঙলোন অমগী মখাদা চল্লাইবনি। মরম অদুনা কম্পনি অমনি দাইরেক্তরদা শেল পীবা য়াবগী লীখুন লৈতে। লোয়ননা কম্পনিগী কাঙলোনদসু য়াওদে। অদুনা মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক অদুগা কম্পনি অসিগী শেলগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। মীয়ান্না মীপাইবা পোক্লিবা অদুগা থৌদোক অদুগা মরী অমত্তা লৈনদে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## সলাই হোল্ডিংসকী ওফিসশিংদা পুলিসনা চঙদুনা থিননবগী ...

*লমায় ১গী মখা* নোংমা নিনি অসিদা মরিক চুম্বা রিপোর্ট অমা সেন্টরদা থারগনি হায়খি।

অমরোমদা ঙরাং মণিপুর লৈঙাক্কী স্পিসিয়েল সেক্রেটরী হোম কে ঐচ রঘুমনিনা গভর্ণরগী মিংদা থোকখবা য়াথং অমগী মতুংইন্না নারেংবম সমরজিৎ অমদি য়াম্বেম বিরেনগী মিংদা লৈবা বেঙ্ক একাউন্টশিং খুদক্তগী ফ্রিজ তৌশিন্নবা বেঙ্কশিংদা খঙহনখ্রে।

ঙরাং থোকখিবা য়াথং অদুদা পল্লিবা ৱাফমদি মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল হায়না কৌবা এক্সাইল লৈঙাক অমা লন্দনদা শেমখিবগা মরী লৈননা লমদম অসিদা ফোঙবা পাউচেশিং অমদি হিন্দু পাউচেগী ওক্টোবর ৩০গী চেফোঙ অমদি ভিদিও ক্লিপিং অমদি প্রেস নোট সোসিয়েল মেদিয়াশিংদা থাগৎলকপা থেংনরে হায়নসু মখা তারি।

লন্দনদা ওক্টোবর ২৯দা পাঙথোকপা প্রেস কনফরেন্স অমদা মশানা মশাবু লুচিংবনি হায়জবা য়াম্বেম বিরেন সিংহ অপোকপা লৈখিদ্রবা ৱাইথম্বালঙৌ, তেরাংখোঙশাংবী লৈমরাম লৈরক, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট সেল্ফ ষ্টাইল চীফ মিনিষ্টর ওফ মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল অমদি নারেংবম সমরজিৎ সিংহ পোকপা জুগিন্দ্রো তেরা লৌক্রাকপম লৈকাই, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট সেল্ফ ষ্টাইল এক্সটর্নেল এফেয়ার্স এন্দ দিফেন্স মিনিষ্টর ওফ মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা মখোয় য়ুনাইটেদ কিংদমদা এসাইলম ফংলে হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মফম অদুদগী লৈঙাক চল্লাইরগনি হায়না লাওথোকখিবনি।

পুলিসনা থিজিন হুমজিনবা মতমদা মখোয় লন্দনদা চৎত্রিঙৈগী মমাঙদগী মাঙজৌননা মখোয়না য়াল্লবা শেনফম খোমগত্তুনা অমদি মেম্বরশিং খোমদুনা ষ্টেটকী মায়োক্তা লান হৌনবা, তোখায় তানবা, নুংশি চান্নবগী মরিদা অকায়বা থোকহন্নবা কাঙলূপশিংগী মরক্তা নুংশিনদনবগী ৱাখল শাগৎনবা মাঙজৌননা হোৎনরমখি হায়বা খঙবা ঙম্লে।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা লম্ফেল পুলিসনা সুও মোটো কেস অমা এফ আই আর নম্বর ২২৩(১০)২০১৯ লম্ফেল পুলিস ষ্টেসন অন্দর সেক্সন ১২১। ১২১–এ। ১২৩। ১৫৩–এ। ৫০৫–বি। ১২৪–এ। ১২০–বি আই পি সি অসি লৌখৎপগা লোয়ননা থিজিন হুমজিনবগী থবক চত্থবগা লোয়ননা ষ্টেট ক্রাইম ব্রঞ্চতসু থিজিন্নবা খঙহনখ্রবনি।

য়াম্বেম বিরেন সিংহ অমদি নারেংবম সমরজিৎকী মীংদা হাংদোকপা বেঙ্ক একাউন্টশিং অসিদা য়াওরিবা শেনফমশিং অসি লোনা য়াদবা থবক্তা শিজিন্নবা অমদি ইনিদয়াগী মায়োক্তা অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী মায়োক্তা লাল হৌরম্বা য়াবগী চিংননিঙাই ওইবা মরম লৈরি।

ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু নারেংবম সমরজিৎ অমদি য়াম্বেম বিরেন অনীগী একাউন্টশিং অদু ফ্রিজ মখোয়না শেনফমশিং অদু লো কায়না থবক তৌবা য়াদনবা থবক লৌখৎনিংবগী অপাম্বা লৈরি।

মরম অসিনা নারেংবম সমরজিৎ অমদি য়াম্বেম বিরেনগী মিংদা লৈরিবা বেঙ্ক একাউন্ট খুদিংমক খুদক্তগী থিংজিননবা পাউতাক পীরি লোয়ননা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা বেঙ্কশিংনা মখোয় মখোয়গী বেঙ্কশিংদা হাংদোক্লিবা মীওই অনি অসিগী একাউন্টশিং অদু ফ্রিজ তৌগদবনি হায়না ফোঙদোক্লি।

ঙরাং থোকখিবা য়াথং অদুগী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী ফাইনান্স দিপার্টমেন্টকী (ইন্সটিট্যুস্নেল ফাইনান্স) কী কাঙলূপনা এস এল বি সিগী কনভেনরসু ওইরিবা এস বি আই আর বি ও বাবুপরাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল মেনেজর অমদি মণিপুরদা লৈরিবা বেঙ্কশিংগী মেনেজর অমদি ব্রঞ্চ মেনেজরশিংদা চে ইদুনা মীওই অনী অসিগী মিংদা লৈরিবা একাউন্টশিং অদু লৈঙাক্না লৌখৎলিবা এফ আই আর অসিগা মরী লৈননা খুদক্তগী থিংজিন্নবা খঙহনখ্রে।

দাইরেক্টর ইন্সটিট্যুস্নেল ফাইনান্স অন্না অরাম্বমনা থোকখিবা য়াথং অসি খুদক্তগী চৎনবা হৌবগা লোয়ননা লাক্লিবা নবেম্বর ৪গী নুংথিল পুং ৫ তাবা ফাওবগী মনুংদা এক্সন টেকন রিপোর্ট পীখৎলক্কদবনি হায়না পনলি।

# য়ানখিবা ৱাফমশিং মীয়ামদা খঙহনবিয়ুঃ এম পি পি

ইম্ফাল,নবেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ
ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সি এন (আই এম) অনীগী মরক্তা মতম শাংনা চখরকখিবা পিছ টোল্ক অসিগী হৌখিবা ওক্টোবর ৩১ দা ৱারী শাদুনা য়ানখিবা ৱাফমশিং মীয়ামদা খঙহনবিয়ু হায়না মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি) না ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী পোলোগ্রাউন্দ মনিংদা লৈবা এম পি পিগী ওফিসতা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উন্নখবা অমদা মথক্কী ৱাফম অসি পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনাম য়ুগিন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, নাগা পিছ টোল্ক অসি হৌখিবা ওক্টোবর ৩১ দা শোয়দনা লোইশিল্লগনি হায়বগা লোয়ননা মীয়ান্না মীপাইনদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর অমদি দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর অনীনা লুচিংদুনা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী দেলিগেট অমা হৌখিবা ওক্টোবর ৩০ দা দিল্লিদা চৎলি। সেন্টরগী লুচিংবশিংনা মীপাইনিঙই লৈতে হায়না থাজবা পীরকপনি। মসিদা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী দেলিগেটশিংনসু অদুমক থাজে।

সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা অচৌবা ঈহৌ হৌবনা মরম ওইরগা সেন্টরগী লুচিংবশিং উন্নবদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী অচৌবা মতেং ওইরিবনি। অসুন্না হৌজিক ফাওবদা প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরোদা থোরকপা ষ্টেটমেন্টশিং হায়বদি ষ্টেক হোল্ডরশিং য়াওরগা ৱারী শাগনি হায়বসি থাজে। তৌবতবু হৌজিক হৌজিক ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবি অমদি এন এস সি এন (আই এম) গা শান্নরিবা ৱারী অদু ইনপ্রিন্সিপল ওইনা য়ারবনিনা মীয়ামদা থম্বা হায়বসি মীপূম খুদিংমক্কী অপাম্বনি। পার্টি অসিনসু সপোর্ট তৌই।

অমরোমদা, নাগালেন্দগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা এস সি জমিরনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্টদা নাগালেন্দদা লৈবা মণিপুরদগী চৎখিবা নাগানি হায়না ক্লেম তৌজরিবসি নাগালেন্দগী য়েলহৌমী নত্তে হায়খিবসি লাইবক থিবনি। ইন্দিয়াদা এন আর সিনা মরম ওইরগা মখোয়শিং অসি নাগালেন্দগী য়েলহৌমী নত্তে হায়রকপা তারবদি ঐখোয়না করম্না তরান্না ওক্কদগে হায়বসি এম পি পিনা ফাওই। মণিপুরগী ফুরুপ খুদিংমক ঙাক– শেনবা হায়বসি এম পি পিগী থাজবনি। হৌজিক ঐখোয়গী লৈবাক ইথনিক গ্রুপশিং কোনশিন্নবগী অমত্তা ঙাইরবা পান্নৈদি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি লৈনা লৈনা মণিপুর লেজিসলেটিভ কাউন্সিল অমা শেম্বা মথৌ তাই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# নাগাগী লূপশিংনা থাগৎপা ফোঙদোকরক্লি

ডিমাপুর,নবেম্বর ০২ (এজেন্সি)ঃ
চহী ২০ হেন্না এন এস সি এন (আই এম) অমদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অনীগী মরক্তা চত্থদুনা লাকপা ৱারী শান্নবা অদুগী ৱারোইশিন অমা হৌখিবা ওক্টোবর ৩১ দা পুরকপা ঙমখিবা অদুগা মরী লৈননা নাগাগী তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি নাগা মীয়ামদা থাগৎপা ফোঙদোক্নরক্লি।

ন্যুমাই ন্যুজ সার্ভিসতগী ফংবা পাউদা হায়, ফিরালগী মতাং য়াওনা অতোপ্পা হীরম কয়াদা য়ানবা পুরকখিবা অদুদা ৱারী শান্নবা অদুগী চীফ নেগোসিয়েটর টিঐচ মুইভা অমদি মহাক্না লোয়নখিবা দেলিগেটশিং অদুনা নাগালেন্দ জোইন্ট খৃষ্টিয়ান ফোরম অমদি নাগালেন্দ বপ্টিষ্ট চর্চ কাউন্সিল অনীবু হায়নিঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

লোয়ননা ৱারী শান্নবা অসিদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা নাগা নেস্নেল পোলিটিকেল গ্রুপ (এন এন পি জি) নসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নাগাগী ফিরাল শীজিন্নবদা অয়াবা পীরকপা অসিগীদমক নুংঙাইবা ফোঙদোরকখি। মসিনা নাগাশিংগী ওইবা অপূনবগী ৱাখল্লোন অমা শাগৎপদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা, নাগালেন্দগী অচৌবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা নাগা হোহোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চহী ২০ হেন্না ৱারী শান্নরকপা অসিগী ৱারোইশিন অমা হন্দক পুরকপা ঙমখিবা অসিদা য়ান্না নুংঙাইবা ফাওই। ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙমখিবা অসিনা নাগাশিংগী ৱাখলদা তংদু লৈতাদবা অমা চাউনা লৈরম্বা অদু কোকহল্লে হায়বা য়াই। ৱারী শান্নবা অসিনা নাগাশিংনা মতম কুইনদগী মঙজরকপা মঙলানশিং অদু খরমখৈদি মঙফাওনহনবা ঙম্লগনি হায়না থাজবসু ফোঙদোকখি।

চেরোল অসিদা মখা তানা নাগা মীয়ামগী ইন্টরেষ্ট খঙবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হোম মিনিষ্টর অমিত শাহ অমদি ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা থবক পায়খৎপীরকপগীদমক মখোয়বু থাগৎপা ফোঙদোরকখি।

লোয়ননা তোঙান তোঙানবা নাগাগী লূপশিংনা ৱাখল্লোন মান্নদবা কয়া অমদি য়েংনবশিং নাথেদুনা অমত্তা ওইনা পূন্না থবক তৌমীন্নবগা লোয়ননা লিংজেল মান্ননা লেপমীন্নদুনা ফাইনেল এগ্রীমেন্ট অদু ঙাইমিন্ননবা আপিলসু তৌরক্লি।

## বাংলাদেশতা কলচরেল একচেঞ্জ প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ
ইথনিক কম্যুনিটি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (ই সি দি ও) অমসুং ইন্টর্নেসনেল পিছ এন্দ সোসিয়েল এদভান্সমেন্ট (ইপসা) মণিপুরনা শীন্দুনা বাংলাদেশকী নোয়া বাজার সৈথেলতা ঙসি রিপিসন এন্দ কলচরেল একচেঞ্জ প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ইপসাগী প্রসিদেন্ট জয়চন্দ্র কোন্থৌজম্না হায়খি, বাংলাদেশতা খুন্দারিবা মৈতৈশিংনা ঐখোয়গী ওইবা ইপা ইপুগী হাক্তক্তগী চৎনরক্লবা নাৎ কলচরবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা লৌরিবা থৌদাং অসি থাগৎনিঙাইনি। মখা তানসু মফম অসিদা খুন্দারিবা মৈতৈশিংনা নাৎ অমসুং কলচর মাংহন্দনা থম্নবা হোৎনবিয়ু।

বাংলাদেশতা খুন্দারিবা মৈতৈ ফুরুপকী ফিভম হেন্না ফগৎনবা অমসুং ঐখোয়গী ওইবা অরিবা নাৎ কলচরবু মাংহন্দনা থম্নবা হোৎনবদা ইসপানা মণিপুরগী লৈঙাক্তা তক্নদুনা মফম অসিদা ডান্স অমসুং কলচর কয়াগী ওঝা থারক্লবা হোৎনগনি। লোয়ননা মফম অসিদা খুন্দারিবা মৈতৈশিংনা মণিপুরদা জগোয় ঈশৈ তম্বা লাকপদা চঙবা শেনফম খুদিংমকসু ইপসানা পুথোকচগনি হায়খি।

বাংলাদেশ, ম্যান্মারদা খুন্দারিবা মৈতৈ ফুরুপ খুদিংমক্না মণিপুরদা খুন্দারিবা মীতৈ ফুরুপশিংগী মরক্তা মতম চুপ্পা পাউ ফাওদোকমীন্নদুনা তুংকোইনা ঐখোয়গী ওইবা কলচর ঙাক্না থম্নবা হোৎমীন্নসি। ঙসিগী কলচরেল একচেঞ্জ প্রোগ্রাম অসিনা বাংলাদেশতা খুন্দারিবা মীতৈশিংদা নাৎ কলচরবু কন্না চাউখৎহনবদা মতেং ওইরগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ই সি দি ও গী এগজিক্যুটিব দাইরেক্তর লক্ষিকান্তা, সৈথেল মেত্রোপোলিটান পুলিসকী এদিস্নেল পুলিস কম্মিস্নার ঐচ বিভুতি ভুসন বেনর্জি, শক্নাইবা অইবা সোনি অমসুং জে এন মণিপুর ডান্স মণিপুরগী দাইরেক্তর এল উপেন্দ্রনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা আর্টিসশিংনা মণিপুরগী জগোয় য়াওনা তোঙান তাঙানবা কলচরেল প্রোগ্রাম কয়াসু উৎখি।

## কবুইদি কবুই ওইনা লৈগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ
ফেসবুক অমদি ৱাটসপতা শন্দাক্লিবা তোকঙা খুদিংমক মীয়াম্না থাজবিগনু। কবুইশিংদি কবুই ওইনা অদুমক লৈগনি হায়না মণিপুর কবুই য়ুনিয়নগী সেক্রেটরী জেনরেল লনবোই কবুইনা থাদোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, লাক্লিবা নবেম্বর ৪ গী অয়ুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা মণিপুরগী তম্পাক্তা খুন্দারিবা কবুইশিংনা হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী ইসুগা মরী লৈননা মীয়াম্না খুল খুলদা ৱাকৎ মীফম ফম্বীয়ু।

লোয়ননা কবুই মীয়ামনা থোরক্তুনা ৱাকৎ মীফমগী খোঙজং অদু মপুং ফাহনবিয়ু হায়খি।

## থম্বালখোং সাবল লৈকাইদা য়ুম অনী মৈ চাকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ
ঙসি নুমিদাং পুং ৬.৩০ রোম তরকপা অদুৱাইদা ক্ষেত্রিগাও বেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা থম্বালখোং সাবল লৈকাইদা নহাকপম অজিৎকুমার (৩৫) অপোকপী নহাকপম বিলাসিনি (৬৪) কৌবা অমগী য়ুম মৈ চাকপদগী থংননা লৈবা মনাওনুপা নহাকপম জোন্ট(২৮) গী য়ূমসু মৈনা চাক্তুনা অমাং অত থোকখ্রে।

থোকখিবা থৌদোক অসিগা মরী লৈনা নহাকপম অজিৎকুমারগী লোয়নবী নহাকপম ওংবী বিদ্যলক্ষ্মী (৩৫) না হায়খিবদা, য়ূম অসিদা মহাক্না মপুরোইবগা অমদি চহী ১১ চঙলক্লিবী মচানুপীগা পুন্না মহৈরোই ৩ লৈমীন্নবনি। য়ূম অসিদা ঙসি নুমিদাং পুং ৬.৩০ রোম তরকপদা য়ূম মনুংদা মৈ খপ্পা মানবা মওং অমা উখি। মদুদা মৈনা চাকপা হৌরকপনি হায়বদদি খঙলুদে। অদুবু ঙইহাক লৈরগা মনুংদা চঙশিন্দুনা য়েংলুবদা ইলেক্ট্রিক সার্কিটকী য়াওনা ইলেক্ট্রিক ৱয়ার মৈ চাক্তুনা লৈরমখি।

চাক্লিবা মৈ অদু মুখৎনবা হোৎনরিঙৈ সেল্লিংদা ৱাইশিন্দুনা মৈ অদু হেন্না চাকপা হৌরকখিবনি। মৈ অদু কন্না হৌরক্লবসু মশাদা ৱাইরকপদগী য়ূম অদুনা থম্বা পোৎ চৈ, সনা লুপা হোন্দোকপা নং হৌখিদবনা চেঙ্হোকখিবনি। চাক্লিবা মৈ অদু হেন্না কনশিল্লক্তুনা য়ূম মৈ চাকখি অমসুং থংননবা লৈমীন্নরিবা মহাক্কী মপুরোইবগী মনাওনুপা নহাকপম জোন্ট (২৮) গী য়ূমসু ৱাইদুনা মনাওনুপাগী য়ূমগী শরুকসু অয়াম্বা চাকখিবনি।

## সেন্টরগা আই এমগা ৱারী শান্নবা লোইদ্রি হায়না ...

*লমায় ১গী মখা* ...পীদবা য়াদে হায়দুনা দিল্লিদা চৎখিবনি। দিল্লিদা হেক থুংবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট হোম জি কিষন রেদ্দিগা উন্নরবা মতুংদা দোনর মিনিষ্টর অমসুং পি এম ও ডা. জিতেন্দ্রগা উন্নবদা করি পাম্বনো হংলকপদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর উন্নবা পাম্মী হায়না ফোঙদোকখি।

মতম অদুদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর আমিট সাহ দিল্লিগী ৱাংমদা লৈরমখি। অদুবু মহাক্না দিল্লিদা হেক হল্লকপগা আমিট সাহ মশানা মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী দেলিগেট অদু থিরকপদগী খুদক্তা চত্তুনা উন্নবগা লোয়ননা মেমোরেন্দম পীশিনখিবনি।

উন্নবা অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী চখরিবা ৱারী অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মণিপুর, অসাম অমদি অরুনাচল প্রদেশকী ষ্টেকহোল্ডরশিং শোয়দনা তান্নগনি হায়বগী থাজবা পীরকখিবনি।

চখরিবা ৱারী অদুদা হিরম খরদা ৱাখল তামিন্নবা লৈরে হায়বনি ৱারী লোইরে হায়বা নত্তে। মরম অসিনা কোকোমিনা লৈঙাক্তা তকশিল্লবা দিমান্দ অদু হন্দোকপীয়ু হায়খি।

পোলিটিকেল পার্টিশিংগী দেলিগেনশিংনসু মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম অসি কন্নবা করি খোঙথাংলৌগদগে হায়বা খন্নদুনা লৈরিবনি হায়খি।

চীরবা মতম অসিদা ঐখোয় মশেল খৎনদুনা লৈবনা খুদোংচাবশিং মাঙখিনবগুম থোক্কনি। হৌজিক খোঙজং চঙশিনবা মতম ওইদ্রি। মীয়াম পূক্কিং ফাথনা লৈবা মতম ওইরি। মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কন্নবা লম্বীশিং অদু লৈঙাক অমদি সি এস ওশিং পুন্না খন্নমিন্নদুনা চৎমিন্নবা মতম ওইরে। মরম অসিনা কোকোমিনা লৈঙাক্তা মতেং পাঙবীদুনা পুন্না চৎমিন্ননবা আপীল তৌখি।

## মণিপুরদা ওইল পম্পশিং থোঙ লোন্নবদা মীয়ান্না...

*লমায় ১গী মখা* ...অহল অমনা পাউচে অসিদা হায়, মণিপুরগী ওইল পম্পশিং অসি মীয়ামগী খুদোংচাবা য়াইফনবা থবক তৌবা কয়া য়াওদে। মীয়ামগী খন্দবীদা শেল খরগীদমক নারোন্দা থাউ ব্লেক্তা য়োঙ্হোকপা। থাউ লৈনা– লৈনা লৈত্রে হায়জিন্দুনা মীয়ামদা থাউ ফংহন্দবা অসি মীয়ান্নসু লোয়না খঙনরে। অদুবু মখোয়গী মখূৎতা গাড়ী থৌবা মীয়াম লাক্লবা ঙম্মী। মরী লৈনবা লৈঙাক্কী থৌমীশিংনা নৎত্রগা সিভিল ওর্গনাইজেসন্নসু য়েংশিনবীনবা লৈত্রবনিনা মখোয়না অপাম্বা তৌরিবনি। হায়ৱে ব্লেকেট লৈবসু নত্তনা মতৌ করন্না ওইল পম্প অয়াম্বদা থাউ লৈরোইদৌরিবনো। নুমিৎ নীনি খোঙজং চঙশিনখিবা শিন্থা লেপ্পা অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা শান্নবা লীলা অমা শোয়দনা ওইগনি হায়না পেন্দবা ফোঙদোরকখি।

নীংশিংবা য়াই, ওইল পম্পশিংনা তোইনা মরম চাদনা থাউ ষ্টোক লৈত্রে হায়দুনা থাউ পীদবগী চৎনবী অমা লৈরিবসি য়েংশিনবদা থেংনরবদি লোগী ওইবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না হৌখিবা ওক্টোবর ২৪ দা মণিপুর লৈঙাক্কী সি এ এফ এন্দ পি দিগী কম্মিস্নার বোবী ৱাইখোমনা থোকখিবা চেরোল অমসু লৈখ্রবনি। ওইল পম্পশিংদা থাউ ষ্টোক মতীক চানা থম্বা হায়বসি তৌফম থোকপা তঙাইফদবনি। ষ্টোক মতীক চানা থমদবনা ইতৎ তত্তনা থাউ লৈত্রে হায়দুনা পীদবা অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামদা খুদোং চাদবা চাউনা মায়োক্নহল্লে। ব্লেক্তা কাঙলোন কায়না থাউ য়োনবা থেংনরবদি ইসেন্সিয়েল কোম্মোদিটিজ এক্ট ১৯৫৫ অমদি ব্লেক মার্কেটিং এন্দ মেন্টেনেন্স এক্ট ১৯৮০ গী মখাদা চৈরাক পীগনি। ওইল পম্পগী ষ্টোরেজ কেপাসিটি চাদা ৮০ দগী তাদনা শীজিন্নগদবনি হায়না চেরোল অদুদসু পনখিবা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবা অতন্নদা ওইল পম্প অমত্তদা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী থৌমীনা য়েংশিনবদি লৈত্রি।

## মহৈরোই লূপ তরুক্না খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০২ (এস এন এস)ঃ
ইন্দো–নাগা পীছ টোল্কগী ৱারোইশিন লাকপদা মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা কায়গদবা লৈতে হায়না লৈঙাক অসিনা ফোঙদোক্লবসু সেন্ত্রেল পেরামিলিটরি ফোর্স কয়া থাজিল্লক্তুনা মহৈলোয়শঙ য়াওনা মফম কয়াদা থাজিল্লকপা অসিগী মায়োক্তা মহৈরোই লূপ ৬ না খোঙজং চঙশিনবা হৌরে। মহৈরোই লূপ ৬ (এমসু, এম এস এফ, দেসাম, কে এস এ, সুক অমদি আইমস) গী মীহুৎশিংনা ঙসি অহানবা ওইনা নোংমতা লেপ্তুনা নুমিৎ খুদিংগী মশীং য়াল্লবা লান্মী কয়া পুশিল্লক্লিবা, ইম্ফাল ইন্টর্নেসনেল এয়রপোর্টতা নুংথিল পুং ৩ রোম তাবা মতমদা থোমজিন্নবা হোৎনখি। অদুবু মফম অদুদা হান্না মথৌ তৌদুনা লৈবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিস্নেল এস পি (ওপরেসন), এল অমরজিৎনা লুচিংবা মশীং য়াল্লবা ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস পার্সোনেলশিংনা থিংখি। খোঙজং লোইশিং অদু পুলিসনা মফম অদুদগী তকথোক্লবা মতুংদা ৱারী শান্নদুনা খোঙজংলোইশিং অদু হলহনখি।

ঙসিগী খোঙজং অদুগা মরী লৈননা দেসামগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরী লৈশাংথেম লময়ানবনা ফোঙদোকখবদা, ঙসি লূপ ৬ অসিনা অহানবা ওইনা এয়রপোর্ট অসিদা খোঙজং চঙশিল্লিবা অসি মরু ওইনা মণিপুরদা হন্দক নোংথক লম্বী য়াওনা নোংমা কাংদনা লান্মী কয়া থাজিল্লকপা অমদি ইন্দিয়া এয়রফোর্সগী ফাইটর জেৎ ফাওবা থমদুনা লানবুং অমা ওইনবা হোৎনবা অসিগী মায়োক্তনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অসিগুম্বা থৌওং অসিনা ইনেদা নাগা পীছ টোল্কগী ৱারোইশিন লাকপদা মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়গদবা লৈতে হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন মশাক্না মীয়ামদা কয়ারক হন্না ফোঙদোক্লবসু শোক্লগদ্রা হায়বগী চিংনদবা ঙমদে। অমরোমদা লান্দা ফাওবা করিগুম্বা মখল অমত্তগী অয়েৎ অপন পীদনা লৈরিবা মহৈলোইশঙ কয়াদা আর্মি কয়া থামজিনবা অসি খুদক্তা লৌথোকউ। করিগুম্বা মহৈরোই লূপ ৬ অসিনা তাল্লিবা ৱাকৎ অসি লৈঙাক অসিনা থবক্তা ওঙ্হোক্তবা থোক্লবদি মখা তানা অকনবা খোঙজং কয়া চঙশিনগনি হায়খি।

## শাশিন্নবা একাউন্টশিং থিংজিন্নবা থবক লৌখৎপা ...

*লমায় ১গী মখা*...এক্ট রুলশিং অদু মমুৎ তানা খঙবা চঙই। সোসিয়েল মেডিয়া শিজিন্নবা মতমদা অমগা অমগা নুংশিন্নবা হোৎনবা, ফুরুপ অমগা অমগগী মরক্তা নুংশিনবা পুরক্লবা থবক লৌখৎহন্নিংই হায়খি।

ঙসিগী মীফম অসিনা সোসিয়েল মেডিয়াবু অরানবা মওংদা শিজিন্নবদগী তোক্তুনা অফবা লম্বীদা শিজিন্নদুনা খুন্নাই অসি মাঙলোমদা চৎপদা অচৌবা মতেং ওইরগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

মীফম অদুদা সাইবর ক্রাইম য়ুনিটকা সোসিয়েল মেডিয়াশিংগী এদমিনশিংগা পুন্না পাউ ফাওদোক ফাওজিন তৌবা য়ানবা থবক লৌখৎনবা চীফ মিনিষ্টরনা পাউতাক পীখি।

মণিপুর পুলিসকী সাইবর ক্রাইম পুলিস ষ্টেসনগী ও সি জোননা হায়, মীওইবা অমদা নীংতম্না হায়নিংবা হায়বা য়াবগী হক অদু কন্সটিট্যুসননা পীরবসু মদু পনখে অমদি লৈরি হায়বসি কাউরোইদবনি।

সোসিয়েল মেডিয়াদা তোঙান তোঙানবা ফজদবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নবা, মওং মরিল তাদবা ৱাহৈ ৱাতাশিং শিজিন্নবা অসি আই পি সিগী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা চৈরাক পীবা য়াই।

সোসিয়েল মেডিয়াশিংদা ৱাহৈ অমা মীওই অমনা থাগৎলকপা মতমদা মদু এদমিনশিংনা য়েংশিনগদবনি। মদু য়েংশিন্দ্রবদি এদমিনশিংসু চপ চানা থাগৎলিবা মীওই অদুনা ফংলিবা চৈরাক অদু ফংবা য়াই হায়খি।

মীয়ামদা তেকঙ্গা শন্দোকপা পোষ্টশিং থাগৎপা মতমদা ফেসবুক নৎত্রগা অতৈ সোসিয়েল মেডিয়াশিংগী এদমিনশিংনা ভেরিফিকেসন তৌদ্রবদি মহাকসু লোগী ওইবা চৈরাক ফংবা য়াই হায়খি।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা সোসিয়েল মেডিয়াগী এদমিনশিংনা মখোয়না লৌবা য়াবা থৌদাং অমদি লৈঙাক্না তৌহন্নিংবা ৱাফম কয়া পুথোক্তুনা খন্ন নৈন্নখি।

## মেঘলয়াদা...

*লমায় ১গী মখা* মসিনা লম কোয়বা লাকপা, মহৈ তম্বা লাকপা অমদি ব্যুজিনেস তৌবা লাকপা পূন্নমক কোনশিল্লি।

হৌজিক ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম অসি অরুনাচল প্রদেশ, মিজোরাম অমসুং নাগালেন্দদা চৎনরি। অদুবু নাগালেন্দগী ললোন ইতিক্কী মফম ওইরিবা ডিমাপুরদি আই এল পিনা কোনশিন্দে।